# সি পি আইগী থা অমা চূপ্পা চত্থগদবা মাস কেম্পেইন ঙসি ইরাবত ভবন্দা হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি পি আই)গী কোলকাতাদা ফমখিবা নেস্নেল কাউন্সিল মিটিংনা লেপ্পখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসি, সেক্যুলরিজম, কন্সটিট্যুসন অমসুং ফেদরেলিজম কন্ননবা লোয়ননা রাইট ৱিং ফোর্সশিং থেংননবা থা অমা চূপ্পা চত্থগদবা মাস কেম্পেইন হয়েং থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা ইম্ফালগী ইরাবত ভবন্দা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা হৌদোক্লগনি।

লাক্লিবা মার্চ ২৩ ফাওবা লৈবাক শীনবা থুংনা চত্থগদবা মাস কেম্পেইন অসি মণিপুরগী ওইনা তম্পাকলমগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদা চত্থগনি হায়না সি পি আই ষ্টেট কাউন্সিলনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অমদা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ১ দা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেট য়ানিংদবা উত্তুনা থা অসিগী ১২ দগী ১৮ ফাওবা লৈবাক শীনবা থুংনা প্রোটেষ্ট তৌখি। ঙরাংসু মহারাষ্ট্রগী ভেটরান কমরেদ গোবিন পান্সারেবু রাইট ৱিং এক্টিভিষ্টশিংনা হাৎখিবগী মায়োক্তা মীফম পাঙথোকখ্রে। ঙসিনা কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো ১৮৪৮ পুথোকখিবগী নীংশিং থৌরম সি পি আই ইম্ফাল সিটি কাউন্সিলনা শীন্দুনা শিংজমৈ লোকেল কাউন্সিলগী ওফিস্তা পাঙথোকখ্রে।

কুমজা ১৯৪৬ ফেব্রুৱারি ২২ দা বৃটিশকী মায়োক্তা রোয়েল ইন্দিয়ান নেভিনা লালহৌ চত্থখিবা নুমিত্তগী হৌরগা মার্চ ২৩ সহিদ ভগট সিংহ, সুখদেব অমসুং রাজগুরুবু ফাসি তৌদুনা হাৎখিবা নুমিৎ অসি ফাওবা থা অমা চূপ্পা ইদোলোজিকেল, পোলিটিকেল কেম্পেইন পার্টিগী ব্রাঞ্চ অমদি লোকেল পূন্নমক্তা কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা চত্থগদৌরিবনি। ইহৌ অসিগী মনুংদা পার্টিগী মাস ফ্রন্টশিং– য়ুথ, ষ্টুদেন্টস, নুপীমরুপ, ট্রেদ য়ুনিয়ন, প্রোগ্রেসিভ রাইটরস, ইপতা, ক্লারহোনচিংবা ওর্গনাইজেসনশিংনসু শরুক য়াগনি।

লিশাংশিংনা চত্থগদবা কেম্পেইন অসি মপূং ওইনা কাঙলূপ মশেল য়েংথিনহনবা, সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯, এন পি আর, এন আর সিগী মায়োক্তা দেমোক্রেসি কন্নবা, কন্সটিট্যুসন ঙাক্লবা, সেক্যুলরিজম য়োকখৎনবা, রাইট ৱিং ফোর্সশিং থেংননবগীদমক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লাইনীংদা য়ুম্ফম ওইরগা সিটিজেন্সিপ এক্টপু পার্লিয়ামেন্টতা ৱাহন্থোক লৈনা খন্ন–নৈনবগী মহুত্তা মেজোরিটি ওইরে হায়বগী রাজনিতিগী নাপলদা নমদুনা নরেন্দ্র মোদি অমিট সহাগী গভর্ণমেন্টনা শেমদোকপদগী লৈবাক শীনবা থুংনা মীয়ামগী অকনবা ইহৌ লাকখিবনি। লেফট ফ্রন্টনা জনুৱারি ১৯ দা সি এ এগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা ইহৌ অদুদা মীয়াম য়াওশিল্লক্তুনা নুমিৎ কয়ানি চত্থখি। বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট পায়বা ষ্টেটশিংদা সি এ এগী মায়োক্তা হৌবা ইহৌ খুদিংমক সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফাজিন পুনশিনবা, ওৎ–নৈবা অমসুং হাৎপা–তুপ্পা ফাওবা চত্থখি।

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনবু খোঙ্গাওনরগা হিন্দু রাষ্ট্রা শেম্নবা পান্দমদা চঙশিল্লক্লিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টকী থৌদৌ অসিগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা সি পি আইগী জেনরেল সেক্রেটরী দি রাজা য়াওনা কেস ১০০গী মথক্তা থাঙ্গৎলি। কেস খুদিংমক অনকন্সটিট্যুস্নেল ওইবদা নত্তনা এন্টি সেক্যুলর ওইবা মরম্না কোর্টতা সি এ এবু ষ্টে তৌনবা তকশিনখিবনি। অদুবু ষ্টেমক তৌদ্রবসু এদমিট তৌদুনা হিয়ারিং চত্থবগা ইরোইননা চয়োল ৪ গী মনুংদা এফিদেবিট পীরক্নবা এন দি এ গভর্ণমেন্টতা খঙহনখি। অমরোমদা অচৌবা ষ্টেট ৫ দা ৱাথোক ওইরিবা সি এ এগা লোয়ননা এন আর সি অমদি এন পি আর চৎনহল্লোই হায়না ৱারেপ লৌখিবসু লৈরে। হৌজিকসু মখা তানা লৌরকখিগদৌরি।

মরক অসিদা হন্দক মণিপুর ষ্টেটকী মথং শেনবা চহীগী পুথোকখিবা বজেট অদু মশক্তমক ফজহনবা অদুগা সেন্টরদা তাঙজবা নত্তনা এক্সপেন্দিচর টার্গেটসু ফংবদা ৱাগদবা অরুবা ফিভম অমদা লৈহল্লি। ষ্টেটকী বজেট অসিনা দিভলপমেন্ট অমসুং ৱেলফেয়ারগী হিরমশিংদা লৈবা দিপার্টমেন্টশিং য়াম্না শাথিনা শোকহল্লগনি। বজেট অসিনা এক্সপান্সনরি ফ্রি স্কেল ট্রাঞ্জেক্তরি লৈহনগদবা অদুদি নমশিন্দুনা থমখ্রে। থবক পীবা অমসুং মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা হেন্না ফগৎহনগদবা পোলিসিগী মহুত্তা কন্ট্রেক্সন লৈহনগনি হায়রদুনা মীয়ামদা করিসু কান্নবা ফংহল্লোই হায়বসি তশেংনা তাকচরে হায়রি।

## হুয়েল লানফিবু চৎনবা য়ারোই হায়বসি অঙকপনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ অপূনবা মণিপুর হুয়েল লাল্লোং লূপ্পা হন্দক পুথোকখিবা হুয়েল লানফিবু চৎনবা য়ারোই হায়না কিমাক্সনা ফোঙদোরকপা অসি অঙকপা পোকই হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা মণিপুর হুয়েল লাল্লোং লূপকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী ও কে মোংয়াম্বনা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৈবাক মীয়ামগী মমল নাইদ্রবা লন ওইরবা হুয়েল লাল্লোং (থাং তা)বু কিমাক্সনা খুবামনুংদা থমদুনা শীজিন্নগনি খল্লিবা অদুসু লূপ অমদি মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। কিমাক্সনা পুথোকখিবা শাফি ফিজোল মীয়াম খঙনা পুথোকখিবা লৈতে হায়রদুনা অপূনবা মণিপুর হুয়েল লল্লোংনা পুথোকখিবা হুয়েল লানফি অসি লূপ অসিগা চৎমিন্নরিবা অতৈ লূপশিং অমদি লূপ অসিনা পুরিবা স্কুলশিংদা চৎনরগনি। মসিদা মীয়াম্নসু শৌগৎপিয়ু। লিশাংশিংনা চত্থরকপা হুয়েল লাল্লোংগী কাঙলোন তম্মিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## সাপোন কেস ৩ দা য়াওরম্বা হেরোইন পাউদর ফংলে

ককচিং, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সোরা খুনুতা চীংজিন আউটপোষ্টকী হেদ কন্সটেবল অজাদ খান অমসুং সাইদুর রহমন্না লুচিংবা কাঙবু অমনা ঙরাং আউটপোষ্ট অসিগী মমাঙ ইম্ফাল মোরে লম্বীদা অচৎ অওক চেক তৌরিঁঙৈদা চিংননিঙাই ওইবা কার অমা লাকপদগী খামদুনা চেক তৌবদা সাপোল কেস ৩ দা য়াওরম্বা হেরোইন নম্বর ফোর পাউদর ফংবা ঙমখ্রে।

এস পি ককচিংগী চেরোল অমনা হায়, হায়রিবা ৱাগোন আর গারী অদু তেংনৌপললোমদগী ইম্ফাল তম্না লাকপনি। রেজিষ্ট্রেসন নম্বরনা এন এল ০৭ এঁচ ০৪০২ নি। গারী অদু ফাজিনবগা লোয়ননা হেরোইন পাউদর অদু পুরকপা মীওই অনীসু মশক খঙবা ঙম্লে। মখোয় অদুদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোলভোম ভিল্লেজদগী জামিনলা বাইতে (২৭) অপোকপা থাংখোসৈ বাইতে অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা এঁচ ৱানোমজাংদগী লেটখোথাং বাইতে (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা দোলহুন বাইতেনি।

খুদক্কী ওইনা ৱাহং পাউহং চত্থবদা হেরোইন নম্বর ফোর পাউদর অদু থল্লাপোকপিদা লৈবা থাউলুং আকতিল লমকাং (২৬) অপোকপা টিএঁচ বেঞ্জামিন লমকাংনা মখোয়দা শিন্নরকপনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মখোয়গী মথক্তা ককচিং পুলিস ষ্টেসন্দা কেস রেজিষ্টারসু তৌখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, খুদক্তা এদিস্নেল এস পি (লো এন্দ ওর্দর) ককচিং এল খোংসাইগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী এস আই মোথিলফুল দাংসুৱানা লুচিংবা টিম অমনা নম্বর ফোর পাউদর অদু সপ্লাই তৌরকপনি হায়বা থাউলুং আকতিল লমকাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা থম্নাপোকপি ভিল্লেজদগী ফারে হায়রি।

## মমা লোনগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকপগুম ষ্টেট অসিদসু ঙসি ইন্টরনেস্নেল মাদর লেঙ্গৈইজ দে–মালেমগী মমা লোনগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

এস কুলা ৱুমেন্স কলেজ খোংখাম্পাৎ নম্বোলনা শীন্দুনা ঙসি মালেমগী মমা লোনগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী গভর্ণিং বোদিগী সেক্রেটরী ওইরম্বা এস বুধচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং অদুগা প্রিন্সিপাল ডা. এম জোয়কুমার সিংহনা থৌরম মপু ওইখি। কলেজ অসিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ এল মেমচা দেবী, ইংলিস দিপার্টমেন্টকী হেদ এ চিত্রাসখি, হেদ ক্লার্ক এল কুলচন্দ্র খুমন অমসুং য়ুনিভর্সিটি এক্টিভিটি মোনিটরিং পোর্টেলগী নোদেল ওফিসার এল মুহিন্দ্রো মৈতৈনা ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি ওফ হয়ার এদুকেসনগী শেন্থং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাই কে কলেজ ৱাংজিং, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল মশা অমসুং খোরিরোল শন্দোক লূপ ৱাংজিং খূৎশম্নদুনা মালেমগী মমালোন নুমিৎ থৌরমগী মনুং চন্না 'মণিপুরী লোন চাউখৎহন্নবা পান্বৈশিং' হায়বা হিরমদা নেস্নেল সেমিনার ঙসি ৱাই কে কলেজ ৱাংজিংদা পাঙথোকখ্রে।

ৱাই কে কলেজ ৱাংজিংগী ইংলিস দিপার্টমেন্টকী হেদ এসোসিএট প্রো. আর কে ব্রোজেন্দ্রো, দিপার্টমেন্ট অসিমক্কী এসোসিএট প্রো. পুখ্রম্বম সোমরেন্দ্রো, দি এম কলেজ ওফ আর্টস ইম্ফালগী এসোসিএট প্রো. আর কে মুক্তাস্না অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ লেঙ্গৈইজ প্লানিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন (দি এল পি আই)গী লেঙ্গৈইজ ওফিসার ডা. থৌনাওজম হরিমোহোন্না ৱাতেমদুনা চত্থখিবা খন্ন–নৈনবা অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা তোঙান তোঙানবা হিরমদা চে পাথোক্তুনা নৈনখি।

অসাম অমদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা কলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিদগী পূন্না দেলিগেট ১৮০ রোম্না শরুক য়াখিবা খন্ন–নৈনবা হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ থৌবাল মশাগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রাজেন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, ৱাই কে কলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. সোইবম গীরিনা থৌরম মপু অদুগা খোরিরোল শন্দোক লূপ ৱাংজিংগী প্রসিদেন্ট তোংব্রম বাবুলাল সিংহনা ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।


## লাইরিক ফোঙগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ নোংচুপ হারম খোর্জে লূপ (নোহাখোল) য়ুরেম্বম ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ দা মৈতৈ ময়েক হায়স্কুল কোংবা ইম্ফাল ইষ্টতা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুর কলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. এলাংবম গীরানি সিংহনা ইবা 'মহাত্মা গান্ধী এন্দ হিজ থোত–এ রিলিজিয়স হ্যুমেনিষ্ট' হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙলগনি।

নোহাখোলনা লাইরিক ফোঙবা হন্দক্কী অসিনা ২০০ শুবনি হায়না জেনরেল সেক্রেটরী ডা. আই এস য়ুম্নাম্না ফোঙদোরক্লি।

## তমেংলোংগী অনৌবা ট্রাফিক রুল

তমেংলোং, ফেব্রুৱারি ২১ (দি আই ও)ঃ এস পি তমেংলোংনা এ দি সি তমেংলোংগা খূৎশম্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর এরিয়াদা চৎনগদবা অনৌবা ট্রাফিক রুল ফোঙখ্রে। রুল অসিগী মতুং ইন্না জাদোনং বজারদগী এপোলো গ্রাউন্দ ফাওবা নিংথৌকাবা, লৈপাকপোকপা অমসুং য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লম্বীগী ওইথংবা নাকলদা অদুগা শগোলশেন, ইরাই অমসুং থাংজ নুমিত্তনা লম্বীগী য়েৎথংবা নাকলদা গারীশিং পার্ক তৌগদবনি হায়রি।



## শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূন্নমকপু নাওকোনবীরম্বা **স্বর্গীয় ইরেংবম ঁঅবুং (বিরেন) সিংহ**– না মাগী নুংশিজরবা ইমুং–মনুং, শাগৈ–নাতৈ খ্বাই পূন্নমকপু থাদোক্লন্নগা হৌখিবা তাং ১৩।০২।২০২০ ইং, ফাইরেনগী ২০নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈন্য রঘুনাৎ দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

হৌখিবা তাং ১৮।০২।২০২০ ইং, ফাইরেনগী ২৫ নি পানবা, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৫।০২।২০২০ ইং, লমতাগী ২ নি পানবা, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রবগী চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা বৈষ্ণবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রদা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ–বৈষ্ণব, অহল–লমন, মরুপ মপাং অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবগা তীন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবিরক্লবা খবরগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবাঃ


ইরেংবম ওংবী শোরোজিনী দেবী (লোয়নবী)

ইরেংবম কুইনতন সিংহ (মচানুপা)

ইরেংবম শেনবিয়া (মচানুপী)

ককৱা লিলান্দো লম্পাক।

Rp



## লান্ন–থৌরম

তাইবঙদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিল্লম্বী **নোংথোম্বম য়াইম্বী লৈমা**–না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং–মনুং, শাগৈ–নাতৈ অমদি মরুপ–মপাং খ্বাই পূন্নমকপু থাদোক্লন্নগা চৎখিবা চৈচৎ ১৩।০২।২০২০ কুমজা, ফাইরেনগী ২০ নি চনবা শগোলশেল নুমিত্তা পুন্সি চেংজেল লোইরদুনা তাইবঙপান মপুগী খুয়াদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

চৈচৎ ১৭।০২।২০২০ কুমজা, ফাইরেনগী ২৪ নি চনবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মঙানি লৈহুন তমজখ্রবা মতুং চৎলিবা চৈচৎ ২৩।০২।২০২০ কুমজা, ফাইরেন থাগী ৩০ নি চনবা নোংমাইজিং (থাশি) নুমিত্তা লান্ন–থৌরম থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ইংনা চিক্না লৈজরুনবগীদমক ঙমজবা হৈরাং–লৈরাং খরদং মপুগী মিখৈ শক শোন্দুনা মপুগী ঙাক্লৌখাদা কচ্চগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল–লমন, ইমা–ইবেন, মরুপ–মপাং, ইচে–ইচন অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবীগা তিন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবিরক্তুনা মপুগী মিখৈ শক শোঞ্জববু য়াওবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেল চৎচরি।

পাউজেঞ্জরিবশিংঃ

নোংথোম্বম কুমার সিংহ (মপুরোইবা)

নোংথোম্বম ইন্দ্রকুমার (নিমাই) লুৱাং (মচানুপা)

অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংশিং

ৱাংজিং সোরোকখাইবম লৈকাই।

SL/B(Wangjing)/22

## বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস কম্যুনিটি লাইএসন গ্রুপ শেমখ্রে

বিষ্ণুপুর, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসন্না কোল্লিবা মফমশিংতগী ওইবা পুলিস কম্যুনিটি লাইএসন গ্রুপ অমা শেমখ্রে।

এস পি বিষ্ণুপুর ওফিস কমপ্লেক্সতা দি জি পি য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসার কয়াগা লোয়ননা মমাঙ থাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা পুলিস কম্যুনিটি লাইএসন গ্রুপ অসি হৌদোকখ্রবা মতুং ঙসি বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী ওইনা গ্রুপ অসি শেমখিবনি।

বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন–চার্জ (ও সি) কে দিনেসকুমার সিংহনা হায়, পুলিস কম্যুনিটি লাইএসন গ্রুপ শেম্বা হায়বা অসিদা মীয়ামগী থৌদাং চাউনা লৈ। লম্বীগী এক্সিদেন্ট, দ্রগ অমদি য়ুনচিংবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনচিংবা কয়া অসিগী মতাংদা ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্নবা তঙাইফদে। মীয়ামগী পেন্দবা অমদি য়ানিংদবগী ইহৌ নৎত্রগা খোঙজং চত্থরকপা মতমদা অতোপ্পা মীওই অমদা অয়েৎ অপন পীরোইদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

পুলিস ষ্টেসন অসিগী লাইএসন গ্রুপ অনী লৈগনি। খুঙ্গং ১১ না গ্রুপ অমা শারগা বিষ্ণুপুরদগী ৱাইরোক ফাওবা অদুগা খুঙ্গং ১২ না গ্রুপ অমা শারগা কৈনৌ থোংথক্তগী ঙারিয়ান ফাওবা কোনশিনগনি। লাইএসন গ্রুপ অসিনা মীয়ামগী সজেসন লৌবগা লোয়ননা কোওপরেসনসু পীগনি। ক্রাইম অমা থোক্ত্রিঙৈদা মদু থোক্তনবা হোৎনহৌবা, য়ুনিফোর্ম শেত্তুনা মথৌ তৌদুনা লৈবশিংদা মীয়াম্না শৌগৎপিবসু দরকার ওই।

য়াওশঙ মতম ওইরকপনা লৈকাই, খুঙ্গংগী মীয়াম্না থাবল চোংবা নৎত্রগা ঈশৈ নোংমাই তৌগদবা লৈরবদি মদুগী অয়াবা হান্না লৌবিয়ু। অমদি নুমিৎ ৫ নিদগী হেন্না থাবল চোংবিদনবসু মহাক্লা আপিল তৌখি। পুলিস ষ্টেসন অসিনা তৌবা অমসুং পায়খৎপা থবক থৌরমগী অফ–ফত্ত কয়াসু লাইএসন গ্রুপ অসিদা য়াওরিবা মেম্বরশিংদা খঙহল্লবা তুংদা পূন্না খন্ন–নৈনগনি হায়খি।

## ঙমখৈ পরিংদা লমতু শেংদোকখ্রে

মোরে, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ ম্যান্মার ঙমখৈ মোরে সেক্টরগী গেট নম্বর ১ অমদি ২ গী নো মেন লেন্দ মনাক্তা ঙসি লৈবাক অনীগী ওইবা লমতু শেংবগী থবক চত্থখ্রে।


দিপ্যুটি কম্মিস্নার তেংনৌপল এম রাজকুমার, এস পি তেংনৌপল টিএঁচ বিক্রমজিৎ, ৪৩ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট সুবমিট সুদ, এ দি সি মোরে এল মনিকান্ত অদুগা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী এ দি সি তমু য়েনতুন য়েও, ২৬৬ এল আই আর বট্টালিয়নগী মেজর ৱাই মিন সো অমসুং নম্ফালোং মার্কেট কম্মিটিগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি হায়রি।

ঙসি লমতু শেংবা অদুদা লৈবাক অনীগী ওফিসিয়েলশিংনা নো মেন লেন্দ নক্না খুন্দারিবা য়ুমশিংনা হায়রিবা মফম অদুদা অমোৎ অকায় হুন্দোক্তনবা খঙহনখি। তুংদা মোরেদগী এক্সকাভেটর গারী ১ ম্যান্মাররোমদগীনা দিপর গারী পুথোক্তুনা পূন্না অমোৎ অকায় শেংদোকমিন্নখি হায়রি।

## অমালকোগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হিয়াংথাংদগী সেকমাইজিন ফাওবদা লৈবা ক্লব ৪০গী মীহুৎশিং শরুক য়াদুনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা শামুরৌ অৱাং লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম্না ওল ময়াই লম্বী ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমালকো)গী ২০২০–২২ ফাওবগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট ফেরোইজম নন্দো লুৱাংনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা অমালকোগী থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি সঞ্জিৎকুমার নিংঙোম্বম প্রসিদেন্ট, চিরোম নবকিশ্বর, তেকচম তেকচম্বা মীতৈ অমদি অঙোম তেম্বা পূন্নমক ভাইস প্রসিদেন্ট, সন্দাম বিজয় সেক্রেটরী জেনরেল, ঘনশ্যাম অঙোমচা, ওইনাম ধনচন্দ্র মীতৈ অমদি লাইশ্রম ইবোচৌবা পূন্নমক এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী, অথোকপম রোমিও সেক্রেটরী ফাইনান্স, লাইশ্রম তাইবংঙানবা মীতৈ এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ফাইনান্স, নিংথৌজম জেমস সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন, য়ুমখাইবম ইনাওবী, থৌদাম সঞ্জিৎ এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন, সলাম সরতচন্দ্র সেক্রেটরী পব্লিসিটি, ওইনাম বিশোরজিৎ, লৈহাওথাবম প্রিয়োরঞ্জন শর্ম্মা অমদি থৌদাম জিতেন পূন্নমক এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটিনি। অদুগা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা হিফাজুদ্দিন, খোমদ্রাম সনাজাওবা, নাওরেম বিশন্তোর অমদি সরাংথেম তোম্বীনি হায়না অমুকোগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটি মনিকান্তা চোংথাম্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।



## মথৌ–মঙম (শেরনি) পাঙথোক্লগনি

সঙ্গাইয়ুম্ফম চেরাপুর মথক লৈকাইদা লৈবা ঐখোয়গী অপোকপী মেরাইময়ুম নুরস্না হৌখিবা তাং ১৩।০২।২০২০ ইং, শগোলশেন নুমিত্তা দুনিয়া (তাইবঙপান) থাদোক্তুনা চৎখ্রে। লাক্লিবা তাং ২৩।০৩।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা (Monday) নুমিত্তা লৈখিদ্রবী অসিগী মথৌ–মঙম (শেরনি) পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা হায়রিবা থৌরম অসিদা অদোম্না মতম চানা লাকপিনবা হায়জরি।

*হায়জরিবা*

মেরাইময়ুম রুহিনা (মচানুপী)

এম দি ইখালাস (মচানুপা)

সঙ্গাইয়ুম্ফম চেরাপুর মথক লৈকাই।

SL/B/(Wangjing)/22


## কুঠী য়েঙজরি / পাঞ্জিগী Course হৌজরগনি

তান্নবিয়ু য়েঙথোকপিয়ু, অঙাংগী ৱাখল লৌশিং, নারক্কদবা লায়নাশিং মশক খঙদোকপিয়ু, মতম চানা ময়ুম পালহনবিয়ু, চান্নবা নুপী–নুপা খঙদোকপিয়ু, শেল থুমগী ফিভম য়েঙথোকপিয়ু, য়ুম্বান–কৈবানবা, তোয়না খৎন–চৈনবা হন্থহনবিয়ু, য়ুম ইঙ্খোলগী মরম য়েঙথোকপিয়ু, চান্নবা শিনফম খঙদোকপিয়ু, অশোয় অঙাম চুমথোকপিয়ু।

অচুম্বা কুঠী ইথোকপিয়ু, ইরমদম অসিদা ইনরিবা কুঠী অয়াম্বা চাদা ৯৯ দি অশোয়বা থেঙনরে (Time/Date/Location factor য়েংলগা কুঠী ইদবা মরম্না)।

পাঞ্জিগী শিনফমদা খোঙ থাঙজিল্লবশিংগী ওইনা Beginner's অমসুং Advanced Course অমমম হৌজরে। Seat মশীং অকক্লবনি। Calendar, খূৎপাই শাবিনিংবশিংগী Data সু ফংবিগনি। উন্নবা খুদিংমক হান্না পাউ ফাওনবিয়ু।

অয়ুক্কী লিক্লা অপোক্লোনবা,

Dinamani Astrological Centre,

Koirou Mamang Leikai, Near Koirou Community Hall

Thongju Part - II, Imphal East, Manipur - 795003

**Mobile No. +919191733333**

SL/5662/ (2+ 30Alt )


## কার্ল মার্ক্সনা কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো ফোঙখিবা নুমিৎ নীংশিংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ সি পি আই ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা শীন্দুনা মালেমগী শুরি নোল্লিবশিংগী অহানবা সাইন্টিফিক ওইবা নীং তম্বা ফংনবা লম্বীগী চৎনপথাপ ওইরিবা কার্ল মার্ক্সনা কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো ফোঙখিবা নুমিৎ নীংশিংবগী থৌরম ঙসি শিংজমৈ চীংঙা মথক চোংথাম লৈকাইদা লৈবা শিংজমৈ লোকেল কাউন্সিল সি পি আইগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সি পি আই নেস্নেল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরা সিংহ অমদি ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোটিনকুমারনা পূন্না ময়ায় ফমখি। কার্ল মার্ক্সনা মরু ওইবা থৌদাং পুদুনা কুমজা ১৮৪৮ ফেব্রুৱারি ২১ দা কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো ফোঙখিবনি। হায়রিবা মেনিফেষ্টো অসি মণিপুরীদা হন্দোকখিবা সি পি আইগী লুচিংবা থোকচোম য়াইস্কুল অমদি ষ্টেট দিপ্যুটি সেক্রেটরী ওইরম্বা এল থোইরেলনা মপূং ওইবা ৱাঙাংলোই ওইখি।

কমরেদ য়াইস্কুলনা মেনিফেষ্টো অসি শুরি নোল্লিবা মীপুম খূদিংগী নৈনদবা য়াদ্রবা তঙাইফদ্রবা খূৎপায় লাইরিক অমনি হায়না ফোঙদোকখি। কমরেদ থোইরেন্না ইন্দিয়াগুম্বা লাইরবা মশীং য়াম্না খুন্দাবা লৈবাক অসিদদি কার্ল মার্ক্সগী খুদোলপোৎ কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো অসি খ্বাইদগী কান্নরবা লম্বী তাকপা ধ্রুবতরাগুম্বনি হায়খি।

ডা. এম নরা সিংহ অমসুং এল সোটিনকুমারনসু হৌজিক ফাওবা চুমদুনতা লৈরবা কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টোগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

## কাদা মোইরাং খুনৌ মখা লৈকাই য়ুনিটকী থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোইরাং খুনৌ মখা লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা খন্ন–নৈনবগী মীফম্না কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা) মোইরাং খুনৌ মখা লৈকাই য়ুনিট শেমদোক শেমজিন তৌদুনা মীওই ২০ না শাবা অনৌবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি শেম্বগা লোয়ননা থৌ পুগদবশিংসু নৌনা খনখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেএঁচ অনন্দনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মোইরাং খুনৌ মখা লৈকাই য়ুনিট অসিগী থৌ পুনবা নৌনা খনখ্রবশিং অদুদি থোঙাম কোম্বী লৈমা প্রসিদেন্ট, লাইশ্রম সনাতোম্বী অমদি থোকচোম ওংবী য়াইমা অনীমক ভাইস প্রসিদেন্ট, মোইরাংথেম ইবেয়াই সেক্রেটরী জেনরেল, ময়েংবম রোমা সেক্রেটরী ফাইনান্স, থোকচোম ঙান্থোই চনু সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন, ওইনাম চান্দনি সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি, নিঙোম্বম সুন্দরি সেক্রেটরী ৱুমেন্স এফিয়ার্স অমসুং থোকচোম হেমোলাতা সেক্রেটরী ড্রাইভনি।

এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা লাইশ্রম তবাবি, লাইশ্রম মেমচাবি, লোংজম সুবিতা, ময়েংবম ইবেচা, পোৎসংবম ইবেয়াই, লোংজম সন্ধ্যারানি, লোংজম মনিহনবী, লাইশ্রম সুনিবালা, থোকচোম রোমা, থোঙাম মনিতোম্বী অমসুং চবুংবম মেম্মনি হায়রি।

## য়ুথ ক্লব দিভলপমেন্ট কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা নেহরু য়ুব কেন্দ্র (এন ৱাই কে) কাংপোকপিনা শীন্দুনা নুঙ্গাং ভিল্লেজদা নুমিৎ হুম্নি চত্থরকখিবা য়ুথ লীদরসিপ এন্দ কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ট্রেনিং লোইশিনবগা লোয়ননা নোংমগী ওইবা য়ুথ ক্লব দিভলপমেন্ট কনভেন্সন ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঙাইখোং খুনৌ আর্মি কম্পনিগী কম্মান্দর মেজর রাজনকুমার, এস দি ও বুংতে চিরু এল এম লেন শিংশিৎ, এন ৱাই কে কাংপোকপিগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোওর্দিনেটর গিনবাইকমুন তোম্বিং, একাউন্টেন্ট লালখোনে চোংলোইনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।


এন ৱাই কেগী লাইফ স্কিল এদুকেসন টি ও টি ট্রেনর ই ইলেনা দেবীনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ফোঙদোকখিবদি য়ুথ (নহা)গী চহী মতাং অসি পুন্সিগী তঞ্জায়নি হায়না লৌই। অদুনা হায়রিবা চহী মতাং অসিদা তৌগে খন্না পাঙথোকপা ঙম্লোইদবা লৈতে। মরম অদুনা নহাশিংনা চহী তাঞ্জক অসিদা লৈবাক অসিগীদমক তৌবা য়াবা থবক খরদংগা ওইরবসু তৌনবা চপ চাবা ফিরেপ লৌবা অমদি থবক ওইনা পায়খৎপা ঙম্নবা পূন্না খন্ন–নৈনবা অসি য়াম্না মরু ওই।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়ুথ ক্লবশিংদা শান্ন–খোৎনবগী পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (২২–০২–২০২০)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*



**মেষঃ** শাওনবা, খৎনবা, শেল চৎপা মতম্লি। হকচাং চাং অমদা লৈরগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ মমল লৈবা লৈশিনবা য়াবা মতম্লি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, অচৌবা মীনা নুংশিবিবা মতম্লি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৫,৬,৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, শাওনবা মতম্লি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। চরাঙনবা মতম্লি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ ফগনি।

**সিংহঃ** খৎনবা, মত খেন্নবা, মুক্লবা, ৱারৌবা শেল ফংবা, চৎপা মতম্লি। চরাঙনগনি। অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা ফত্তে। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা মতম্লি। চখোক চৎশিন্দা চেকশিনবা ফগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩, ১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অচৌবশিংনা চানবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্লি। নক্ষত্র ১৪,১৫,১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা মতম্লি। শেল চৎপা, ইমুংদা চরাঙনবা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ ফত্তে, ১৮ খরা ফগনি।

**ধনুঃ** খৎনবা, কোক শাবা, মীনা য়েংশিনবা মতম্লি। শেল হেন্না চৎলগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবদি পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা মতম্লি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ খরা ফগনি।

**কুম্ভঃ** হোৎনবা য়াবা, চাউখৎপা, অচৌবনা চানবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। লম চৎপা, মরুপ মফম ফগৎলগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা মতম্লি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎলগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ ফগনি।

